## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – এন্দ্রু য়াং –



এন্দ্র্যু য়াং অসি অমেরিকান বিজিনেসমেন, উকিল, লাইরিক ইবা অমসুং ফিলান্থ্রোপিষ্ট অমা ওইবগা লোয়নননা কুমজা ২০২০ গী দেম্মক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেটনি। মহাক কুমজা ১৯৭৫ গী জান্যুৱারী ১৩ দা ন্যু য়োর্ককী সেনেক্টাদিদা পোকখি অমসুং নক্লনা লৈবা ৱেষ্টচেষ্টর কাউন্টিদা চাউরকখি। মহাক্কী মপা অমসুং মমা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়াগী গ্রেজ্যুএট মহৈরোয়শিং ওইনা টাইৱানদগী য়ু এসতা হোংলকখিবনি। মহাক্কী মপা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ফিজিক্সতা পি ঐচ দি ফংখি অমসুং মমানা ষ্টেটেটিক্সতা মাষ্টর লোইশিনখি। য়াংগী ময়াম্বা অমা লৈ। মহাক্না সাইকোলোজিগী প্রোফেসরনি। এলিট ফিলিপস এক্সেটর একাদেমীদা গ্রেজ্যুএসন লোইরবা মতুংদা মহাক ব্রাউন য়ুনিভর্সিটিদা পোলিটিকেল সাইন্স অমসুং ইকনমিক্স তমখি (১৯৯২-১৯৯৬)। মদুগী মতুংদা মহাক কলম্বীয়া য়ুনিভর্সিটিগী লো স্কুলদা তমখি (১৯৯৬-১৯৯৯)।

নহা ওইরিবা য়াংনা নন-প্রোফিট ভেঞ্চর্স ফোর অমেরিকা (ভি এফ এ) লিংখৎতুনা শেল-থুমদা শোত্থরবা সিটিশিংদা বেজ তৌবা অনৌবা কম্পেনিশিংগা নহা ওইরিবা প্রোফেসনলশিংগা শম্নহনখি। কুমজা ২০১৭গী অথেংবা শরুক্তা য়াংনা মহাক প্রসিদেন্সিএল মীখলদা মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোককখি। মহাক্কী স্লোগানদি "মেক অমেরিকা থিঙ্ক হার্দর (মেথ)" অসিনি। মহাক্না য়ুনিভর্সেল বেসিক ইনকম (য়ু বি আই) হায়বা পোলিসী প্রপোজল অমা পুথোক্লি। মহাক্কী পান্দমদি আর্টিফিসিএল ইন্টলিজেন্স অমসুং ওটোমেসননা লাইরহল্লবা অমেরিকান এদল্টশিংদা সপ্লিমেন্টেল ইনকম ফংহনবনি। প্রসিদেন্সি তান্নবদা য়াওরনি হায়রনি হায়না লাউথোকখিবদগী য়াংনা য়াম্না থুনা দিজিটেল কোএলিসন অমা শেমদুনা সপোর্টর কয়াগী পুক্নিং চিংশিনখি। মহাক্কী লোয়েল সপোর্টরশিং য়াংগেং হায়না খঙনৈ।

মফম কয়াদা মীখলগী কেম্প্যেনদা ৱা ঙাংবদা য়াংনা মহাক্কী উকিল ওইরিঙৈ মতমগী ৱারী কয়া ফাগী ওইনা লীখি। মহাক শুপ্নগী থা ৫ কোর্পোরেট উকিল ওইনা থবক তৌরম্মী। কুমজা ২০০০ গী চহী পরিং হৌরকপদা য়াংনা মখল মখা কয়াগী ষ্টার্টঅপশিং লোঞ্চ তৌখি। মহাক মেনহাতোন প্রেপ কৌবা টেষ্ট প্রেপ কম্পেন অমাগী সী ঈ ও ওইরকখি। মদুগী তুংদা মহাক্না কুমজা ২০১১ দা নন-প্রোফিট ভেঞ্চর্স ওফ অমেরিকা (ভি এফ এ) মায় পাক্না লিংখৎখি। ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসননা মহাকপু কুমজা ২০১৫ দা প্রসিদেন্সিএল এম্বেসেদর ফোর গ্লোবেল ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ খনখি। চহী অনী লৈরগা য়াং ভি এফ এগী সী ঈ ওগী ফম থাদোকখি। কুমজা ২০২০ গী দেম্মক্রেটিক প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট পুন্নমক্কী মনুংদা য়াংসু য়ু বি আইগী মওংদা খ্বাইদগী মশক থোকপা কেম্প্যেন প্রপোজলশিংগী মনুংদা অমা পুথোক্তুনা অসিগুম্বা কেন্দিদেট খরগী মনুং চন্না লৈ। ফ্রীদম দিভিদেন্দ হায়না মমিং থোনবা মহাক্কী কেম্প্যেন প্রপোজেল অসিগী পান্দমদি চহী ১৮ হেল্লবা অমেরিকান খুদিংমকপু থা খুদিংগী দোল্লর লিশিং অমমম ফংহনবনি।

## ব্যুটি : হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা পাম্না য়েক্লরিবা টেটু য়েকপদা ৱাফম খরদি চেকশিন্নিংঙাই ওই

মতমগী মতুংইন্না অহোংবা নাইরিবা ফেসনশিংদা হৌখিবা চহী খরসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদসু টেটু য়েকপগী কলচর লেপ্পা লৈতনা চৎথনরক্লি। মণিপুরদসু চহী খরা অসিগী মনুংদা টেটু য়েকপগী কলচর অসি য়ৌরকখ্রে। লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংসু টেটু য়েকপগী কলচর য়াম্না কন্না পাম্নরক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসিদি লমদম অসিদা অহল-নহা খাক্তনা তোঙান-তোঙানবা ফজরবা দিজাইন কয়াদা টেটু য়েক্লরক্লি। অদুবু অয়াম্বনদি টেটু য়েকপগী চাং অসি হৌরক্লিবা নহাশিংদনা হেন্না ক্রেজী ওইনা চৎলি।

মীয়াম্না তৌনদবা তোপ-তোপ্পা থবকশিং তৌনিংবা নহারোলশিংনা চৈনাে-খাল ফাওবা কিবা লৈতনা টেটু য়েকপগী চৈনা খাংদুনা ফজরবা দিজাইন অমদি মমিং মথা কয়া থানদবা নত্তে। অদুবু করিগুম্বা অদোমসু টেটু য়েক্কে হায়বগী ৱাখল ফাওরবদি টেটু য়েকপদা পোৎশক খরা চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মরম অদুনা টেটু য়েক্কে হায়রবদি ৱাফমশিং অসি খঙজিনবা কান্নগনি।

– টেটু য়েক্ত্রিঙৈ মাংওইননা অমুক্তং ওইরবসু য়াম্না মুন্না ৱাখল খন্থবিয়ু মদুদি তশেংনা অদোম তশেংনমক টেটু য়েকপা পাম্লবরা অমসুং ফজনা খল্লবা তুং অদোমগী ফীরেপ লেপ্পিয়ু।

– টেটু য়েক্ত্রিঙৈ মমাংদা অদোম্না য়েক্কদৌরিবা টেটু অদু করম্বা দিজাইননো খঙনবা হোৎনবিয়ু। অদোমগী থাম্মোয়দা তুংদা নুংঙাইতবা-পেন্দবা অমদি চিংনবা লৈহৌদনবা করম্বা দিজাইনগী টেটু য়েক্কদবনো হায়বগী চপচাবা ফীরেপ অমা লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

– টেটুগী এক্সপার্ট অমগা টেটু য়েক্ত্রিঙৈ মমাংদা উনদুনা ৱারী শাবিয়ু। মরমদি অদোমগী থাম্মোয়দা টেটুগী মরমদা খঙনিংবা অমদি চিংনবা করিগুম্বা লৈরবদি টেটু এক্সপার্ট অদুনা অদোমগী চিংনবা অমদি খঙনিংবা অদু ময়েক শেংনা তাক্লক্তুনা অদোমগী থাম্মোয়দা ফাওরিবা খঙনিংবশিং অদু খঙবা ঙমগনি।

– চেকশিনগদবা অমনা, টেটু য়েকপা হৌরমদাইদা অদোমগী মীৎমাংদা অহনবা পেকেটত কায়দুনা অনৌবা নিদল শীজিন্ননবা হায়বিয়ু। টেটু য়েক্কদৌরিবা মুক য়াওরিবা কপ অদুসু অহনবা ওইহনগদবনি। লোয়ননা টেটু য়েক্কদৌরিবা টেটু আটিষ্ট নুপা অদুনা উপকদৌরিবা হেন্দ গ্লোব অদুসু অহনবা শীজিন্ননবা হায়গদবনি।

– টেটু য়েক্লিবা নুপীশিংনা টেটু য়েকপা মতমদা দাকফমশিং অদু হেক ফজনা কংদ্রিবা ফাওবা ভেক্সিং তৌবিগনু। ভেক্সিং তৌবদগী লাপথোকপিয়ু। মদুনা অদোমগী য়াইফবা ওইগনি।

– করিগুম্বা টেটু য়েকখ্রবা নুমীৎ য়াম্লবা ফাওবদা টেটু দ্রাই অমদি পোমথোক্তুনা লৈবা থেংনরবদি অথুবা মতমদা দোক্টরশিংগা তানবিগদবনি। মরমদি দাকফমশিং অদু ফজনা কংদবনা অদোমগী উনশা শোকহল্লকপা য়াই। অসিগুম্বা চেকশিন থৌরাং খরা লৌখৎলবদি অদোমগী টেটু য়েক্লগা পুক্নিং হুনা ফজহনগে খল্লিবা ৱাখল অদু মায়পাকপা ঙমগনি।




## মালেমগী অঙকপাশিং

## শ্রিলঙ্কাগী সিগিরিয়া

শ্রিলঙ্কাদা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংনা খ্বাইদগী পাম্না য়েংনবা মফমশিংগী মনুংদা সিগিরিয়াসু অমনি। মঙাশুবা চহী চা মতমগী সিটি অসি মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না অমাঙ-অতা থোকখিবা তারবসু মোনাষ্ট্রি অমদি লৈকোল য়াওনা নীংথিজরবা মফম কয়ামরুম লৈরি। খ্বাইদগী মীৎয়েং চিংশিন্নিংঙাই ওইরিবদি মিটর ২০০ ৱাংবা গ্রেনাইটকী রোকনি।

অর্কিওলোজিকেল এভিদেন্সকী মতুং ইন্না মফম অসিদা খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈদগী মীওইবা কাঙলুপ খরা খুন্দারম্মী হায়রি।

কিং কাসিয়াপানা মচানুপাগীদমক শেমগৎলম্বনি হায়বা সিটি অসি ঙসিসু অদুমক মীয়াম্না য়েংবা লাক্লবা মফম অমা ওইরি। সিটি অসিগী অকোয়বদা চেকপলনা ইকোয় কোয়না খাজিনবগা লোয়ননা পাৎনা ইকোয় কোয়শিল্লি।




সিগিরিয়াগা খ্বাইদগী নক্লবা সিটিদি কিলোমিটর ২৫ লাপ্না লৈবা দম্বুলানি। শ্রিলঙ্কাগী নোর্থ সেন্ট্রেল প্রোভিন্সতা লৈবা টাউন অসিদা লম কোয়বা কয়া লাক্লরি। মপুং ফানা অমাঙ-অতা থোক্লবা লানবন অসি য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেস্নেল সাইটিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো)না ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকপা লৈখ্রে।

সিগিরিয়াগী থোইদোক-হেন্দোক্লা মীৎয়েং চিশিন্নিংঙাই ওইরিবা মফমশিংদি ৱাটর গার্দেন, লায়ন রোক, ফক্লাংদা য়েক্লিবা লাইশিং অসিনচিংবনি। ৱাটর গার্দেন্দা 'এল' মওংগী পুখ্রি মরি লৈ। পুখ্রিগী ঈশিংদা কনাগুম্বনা দাইভিং তৌনবা মফম মতিক চানা থল্লি।


সিগিরিয়াগী চঙফমদা লায়ন রোক হায়না খঙনবা নোংশাগী মখায়াই মানবা নুঙগী শরুক অমা লৈ। হৌজিক্তি লায়ন রোক্কী শরুক অয়াম্বা অমাঙ-অতা থোকখ্রে। কনাগুম্বনা সিগিরিয়াগী মনুংদা চঙগে হায়রবদি লায়ন রোক ফাওরগা চঙগদবনি।

## ꯃꯈꯥꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯑꯅꯤ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯃꯐꯝ ꯊꯤꯕꯤꯌꯨ





Title: Fish
By: Christina
Class: II Sec: B Roll No. 31
School: Kids' Foundation




Title: Scenery
By: Archana Thokchom
Class: II Sec: D Roll No. 17
School: Kids' Foundation




Title: Ostrich
By: Herani Longjam
Class: III Sec: A Roll No. 26
School: Smart Universal Academy




Title: Scenery
By: Yumkhaibam Jenish Singh
Class: II Sec: C Roll No. 10
School: Kids' Foundation




Title: Rose And Butterfly
By: Momoco Angom
Class: III Sec: A Roll No. 28
School: Smart Universal Academy




Title: Traffic Light
By: Loijingba Yendrembam
Class: K.G. Sec: Tulip Roll No.40
School: S.L.Kids Areana



Title: Lotus
By: Lingjenthoi
Class: I Sec: A Roll No. 02
School: Smart Universal Academy



Title: Scenery
By: Maheshor N.
Class: V Sec: Roll No. 18
School: Unacco School




Title: Scenery
By: Nongdamlenbi
Class: I Sec: Roll No. 51
School: Little Flower School



Title: Flower
By: Prichi
Class: III Sec: A Roll No. 21
School: Smart Universal Academy



Title: Indian Flag
By: Baby Maria Yendrembam
Class: III Sec. Lotus Roll No. 59
School: S.L. Kids Areana



Title: Scenery
By: Sushmita Thokchom
Class: III Sec: A Roll No. 13
School: Smart Universal Academy